# ইন্দিয়াদা রেজিষ্টার তৌরবা পোলিটিকেল পার্টি ১৮৬৬ লৈ

***ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ৯ ঃ***

পোলিটিকেল পার্টিশিং রেজিষ্টার তৌননবা থোমজিন্নরক্লি। হান্না রেজিষ্টার তৌদবা পার্টি ২৩৯ নৌনা রিজিষ্টার তৌননবা ইলেক্সন কম্মিসনদা লাকখি। ইং ২০১৪ গী মার্চতগী চৎলিবা চহি অসিগী জুলাই থা ফাওবদা পোলিটিকেল পার্টি কয়া নৌনা রেজিষ্টার তৌখিবনা পুন্না রেজিষ্টার তৌরবা পোলিটিকেল পার্টিগী মশিং ১৮৬৬ য়ৌখিবনি।

ইলেক্সন কম্মিসন্না ফোংদোরকখিবদা চৎলিবা চহি অসিগী জুলাই ২৪ ফাওবদা পুন্না পোলিটিকেল পার্টি ১৮৬৬ রেজিষ্টার তৌখ্রে। মখোয়গী মনুংদা ৫৬ তি নেসনেলগী থাক্তা রেজিষ্টার তৌরকখিবনি। অদুগা লেমহৌরিবশিং অদুনা মশক খঙদবা পার্টিশিংনি।

কম্মিসন্না খোমজিনখিবা দেতাগী মতুংইন্না ইং ২০১৪ দা পাংথোকখিবা লোক সভা মীখলদা পোলিটিকেল পার্টি ৪৬৪ না কেন্দিদেট থাদোকখি।

পার্লিয়ামেন্টতা শিজিন্ননবা লো মিনিষ্ট্রিগী মতুংইন্না পোল পেনেলনা দেতা অদু খোমগৎখিবনি। লেজিসলেটিভ দিপার্টমেন্টকী মীখলগী থবক থৌরম মিনিষ্ট্রিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিটনা চৎখে।

ইলেক্সন কম্মিসন্না মখা তানা ফোংদোরকখিবদা ২০১৪ গী মার্চ ১০ ফাওবদা লৈবাক অসিগী ওইনা পোলিটিকেল পার্টি ১৫৯৩ পুন্না রেজিষ্টার তৌবগী রেকোর্দ লৈ। মার্চ ১১ দগী মার্চ ২১ ফাওবদা পোলিটিকেল পার্টি ২৪ রেজিষ্টার তৌখি। অদুগা মার্চ ২৬ য়ৌবদনা পোলিটিকেল পার্টি ১০ সু রেজিষ্টার তৌখি। মদু মার্চ ৫ লোক সভা মীখল পাংথোক্লগনি হায়না লাওথোকখিবা মতুংদনি। মমাঙ চহিগী মার্চ থা ফাওবদা রেজিষ্টার তৌখিবা পার্টিশিংগী মশিং ১৬২৭ ওইরমখি। ইং ২০১৪ গী মার্চতগী চৎলিবা চহি অসিগী জুলাই থা ফাওবদা পোলিটিকেল পার্টি ২৩৯ কম্মিসন্দা রেজিষ্টার তৌখ্রে।

রেজিষ্টার তৌরবা শকখঙদ্রিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংদি সিম্বোল পীদনা মীখল থেংনবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈতে। মখোয়না পোল পেনেলদা পীবা সিম্বোল অহুমগী মনুংদা অমা খনগদবনি।

ইলেক্সন কম্মিসনগী খ্বাইদগী নৌবা সার্কুলর অমগী মতুংইন্না পোলিটিকেল পার্টি ৮৪ দি ফ্রি সিম্বোল শিজিন্নগদবনি হায়রি। ফ্রি সিম্বোল ওইনা শিজিন্নগদবা সিম্বোলশিং অদুদি অলমিরা, বেলুন, চপ্পল, যুবি, থোংনাও, কার্পেট, বোটল অমসুং ব্রেদ নি।

ইলেক্সন কম্মিসন্না হায়রিবা পার্টি ৮৪ অদুদা চৎলিবা চহি অসিগী জনুৱারী থাদা শিজিন্নবা য়াহনখি। মদু রেজিষ্টার তৌরবা অদুম ওইনমক রিকোগনাইজ তৌদ্রিবা পার্টিশিং খক্তনা শিজিন্নগদবনি হায়রি।

# মোডি সরকারনা ত্রাইবেলশিংগী লমগী হক ময়ায় চমহল্লে ঃ সোনিয়া গান্ধি



***ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ৯ ঃ***

ত্রাইবেলশিংগী লমগী হক ময়ায় চমহল্লে। মোডি সরকারনা হকশেল অমসুং চাউখৎ-থৌরাংগী প্রোগ্রামশিংদা লমদা বজেট এলোকেসন হন্থহল্লে হায়না মরাল শীখ্রে।

লুচিংবী অদুনা ঙসি ফোংদোকখিবদা ভর্জিনস সাসা কম্মিটিগী রিকমেন্দেসন সরকার অসিনা চৎনহনগদবনি। লৈবাক অসিদা লৈবা ত্রাইবেলশিংগী সোসিয়ো ইকনমিক ষ্টেটস য়েংশিনহন্নবগীদমক ইং ২০১৩ দা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ এলায়েন্স (য়ু পি এ) সরকারনা শেমগৎলম্বনি।

কম্মিটি অদুনা ত্রাইবেলশিংগী য়াইফনবা অমদি ঙাক-শেন্ননবা আইন চৎনহন্নবা রিকমেন্দ তৌরিবনি। লোয়ননা পোখোক-চাথোক্কী মতাংদা হেন্না চাউবা য়েংশিনবগী খুদোংচাবসু পীগদবনি। লমদম অসিগী ত্রাইবেলশিংগী মশিংদা শিংনবা কয়া লৈরি।

ত্রাইবেলশিংগী চাউখৎ-থৌরাং অমসুং হকশেলগী লমদা সরকার অসিনা শেল থাদবা হন্থহল্লে। ত্রাইবেলশিংগী লমগী হক অমসুং ইনভাইরোমেন্ট গভর্নান্স ময়ায় চমহল্লে। মসিনা আদিভাসিশিংগী য়াইফ থৌরাংদা শাথিবা শীংনবা অমা ওইহল্লে হায়না ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাংথোকপা ইন্টর্নেসনেল দে ওফ ৱার্ল্ডস ইন্দিজিনস পিপলগী থৌরমদা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা ত্রাইবেলশিংদা মগুন লৈবা হকশেলগী খুদোংচাবা ফংহনবা তঙাইফদে। মখোয়গীদমক সরকার অসিনা লৈরিবা শীংনবশিং খঙদোকপগা লোয়ননা খুদোংচাবা পীগদবনি। মরুওইবা অমদি ত্রাইবেলশিংদা অফবা লায়েং অমসুং সরকারগী ইন্সটিট্যুসনশিংদা মখোয়গী লায়েংগী মতাংদা লৈরিবা খুদোংচাদবশিং অদুনি। হিরম অসিদা চুন্নবা শেল থাদবা অমদি ফগৎহনবা তঙাইফদে।

ত্রাইবেলশিংনা মখোয়গী মনিং মখা তন্বা অমসুং বাইওদাইভর্সিটি ঙাকশেনবদা লৌরিবা থৌদাংশিং লুনা লৌগদবনি। মদু লৈবাক অসিগী মমাঙঙৈদগী লৈরক্লবা মচৎ অমসুং পুন্সি মহিংনি।

ইন্দিয়াদা আদিবাসি মিলিয়ন ১০৪ না কংগ্রেস পার্টিগা অখন্ননবা মরী থম্নদুনা লাক্লি। পার্টি অসিগী ৱাখল্লোন্দি ত্রাইবেলশিংগী য়াইফবা অমসুং চাওখৎ থৌরাংদা মরুওইবা মীৎয়েং থম্বনি। লৈবাক অসিনা নিংখা তম্নবা মতুং পণ্ডিট নেহরুনা ত্রাইবেলশিংগী হক শৌগৎতুনা অখন্নবা ফ্রেমৱার্ক অমা থম্লম্বদা নত্তনা ত্রাইবেল দিভলপমেন্টকীদমক থৌশিল ৫ শেম্বীরম্মী। মতম অদুদগী হৌনা সেন্টরগী কংগ্রেস সরকার অমসুং ষ্টেট সরকারনা ত্রাইবেলশিংগী য়াইফনবা থৌশিলশিং পায়খৎপদা পুক্নিং চংদুনা লাকখি হায়রি।

## মোইরাং শাইওন

### খোয়োন হাওবা-য়াইথিংকোনু

হাওবা কাংদোং ফারকপা

***–সরাংথেম বরমনি***

*হান্নগী মখা......*

*অশুম্না ৱারেপ্নরবদা লালোই অহল অদুনা হাওববু পুল্লিবা থৌরিগী কোঙ্গোই থোক্তুনা থাদোক্লগা হায়রকই। ‘‘য়েংউ ইবুঙো, মাঙদা উরিবা লাইজ ঈমায় চেল্লিবা লোক্তাক পাৎসিগী খোংবান শিংনাং তাংদা মরক্তা নমু তাইবং মী কনা অমত্তা খঙহন্দনা পাখং কাংদোং ফাদ্রি ফাওবা লোক্তাক্তা ফংবা হৈকেকনচিংবা মনা মশিং চাদুনা লৈরুচো তাকপিরম্মী। লালোই তরেৎনা তাউবা হুইগী ঈ লৌরগা উতোংদা হান্দুনা মখোয়বু থৌদারকপা অঙম্বদা খুৎশিন্নখি।*

*খোয়োন হাওবা লায়রবনা অহিং অথেংবদা অকিবা লৈতনা ৱাকয়ৈ হি তোংদুনা কেগে খোরিতাক অমনবা মোইরাং নোঙ্গাংখোং অচৌবা লান্দুনা লোক্তাক ঈয়াই শমদুনা থাঙ্গা করাং চীংগী নোংচুপ থংবা ঙাংখরুংবা মশোইরেন থাঙলেন লুকাইশোই খোয়োন ঙৌবী শোইগী শরেল ফুম্বী মথক্তা থুংখরে। শিংনাং তাংদা অচুম্বনা লায়র শঙ শারগা কম্বোং হাওনা মনানা কুপ্তুনা শাবা খাঙপোক শঙদুদা অয়ুক চারা নুমিদাং হেন, নুমিদাং চারা অয়ুক হেন চারা নামতা চাদুনা খোইয়ুম লাইগী খুনদিনফম চেক্লা চোংখুগী য়ারেকফম শরেল ফুম্বী মথক্তা লমজা মতোমদা লৈরে। নোংমা অমনা হুপনৌ নায়াৎ থৎতুনা হৈকক য়েল্লি চাদুনা লেল্লি। নোংমা অমনা লোক্তাক খোংনুংদা কুমদুনা লেপ্লে ঙাবু ফারগা মৈ হৌগৎতুনা ঙাদু লৌরগা মবুক থন্না চায়। নুংশাগী মৈশানা য়ৈরবা কংলবা ফুম্বী মচেৎ অমনা মোল্লাং ওই, ফুম্বী মপাক অমনা হাকথং ওইদুনা লায়রবা পুন্সি লেল্লকই। অসুম্না লৈত লায়র চৈনা খাঙদুনা ৱানা লৈরকপা খোয়োন হাওবা লমজাদো চীংঙু থাংজীং লাইগী থৌজান্দগী মপাঙ্গল চাউরক্লে, পাখং শরেপ ফারক্লে।*

*মথং মথং.......*

# জঙ্গলগী ৱায়েল লোইশিন্নবা বি জে পি না লুচিংবা এন দি এ সরকার লৈহনগদবনি ঃ মোডি



*বিহারগী গায়াদা পাংথোকখিবা রেল্লিদা শরুক য়াখিবা বি জে পি গী প্রসিদেন্ট অমিট সাহ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডি*

***গায়া (বিহার), আগষ্ট ৯ ঃ***

চহি ৫ গী মতমদা চাউখৎপগী গুলি পীজদুনা বিহারগী অনাবা ফহনগনি হায়না ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা ফোংদোকখ্রে।

নিটিস কুমার-লালু গা চুংশিন্নবা লায়না অদুবু শিধরদুনা মোডিনা হায় ষ্টেট অদুদা লৈরিবা জঙ্গলগী লৈঙাক্তগী নাম্থোক্লে হায়রবদি তাঞ্জা লাক্লে। লাক্লিবা বিহারগী মীখল অসিদা বি জে পি না লুচিংবা সরকার খল্লবদি চাউখৎপা অমসুং মতমগা চুন্নরবা ষ্টেট অমা ওইগনি।

হৌখিবা চহি ২৫ দা লমদম অসিগী মীয়াম মঙক কনবা অমসুং নমথবগী সাসন মখাদা অৱাবা খাঙলক্লে। অসিগুম্বা লৈঙাক অসি মখা তানা চহি ৫ অমগা লৈহনবা পাল্লিব্রা। লাক্লিবা মীখল অসি মীয়াম অসিবু জঙ্গলগী লৈঙাক্তগী নাম্থোকচনবা খুদোংচাবা অমনি। নখোয় পুম্নমক্না মতম কয়াগী মমাঙদগী অসিগুম্বা লৈঙাক অসি থেংনদুনা লাক্লিবা অদুনি।

জঙ্গলগী লৈঙাক অমুক হন্না লৈহল্লবদি ষ্টেট অসি মখা তানা মাঙ তাক্কনি হায়না গায়াদা পাংথোকখিবা রেল্লি অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা মখা তানা ফোংদোকখ্রে।

রেল্লি অদু য়াওননবা মোডিনা মফম অদুদা থুংলবদা মীয়ামদা হরাও তয়াম্বগা লোয়ননা ওকখি। মীয়াম অদুনা মোডিগী মনাক নকশিন্ননবা হোৎনবদা উগী বেরিকেট কয়া অতেক-অকায় নংখি। পুলিসনা মীয়াম অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা চৈনা ফাওবা কনখি। অদুম ওইনমক য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাম বিলাস পাসৱাননা পুলিসকী থৌওং অদু থিংদুনা লেপহনখি। মশিং য়াম্নবা মীয়াম মরক্তা ইন্থোক-ইনশিন তৌনবদগী চৌক্রি কয়াসু তেকখি।

মোডিনা ৱা ঙাংননবা ষ্টেজ কাখৎলকপদা মহাকপু শৌগৎপশিংনা থোমজিল্লকপা লেপ্পনবা আপিল তৌখি। অদুম ওইনমক মীয়াম অদুনা য়োংগী মতৌগুম ৱাগী চৈঙাক শিজিন্নদুনা য়েংননবা হোৎনখি।

মোডিনা হায় আর জে দি হায়বদি নুমিৎ খুদিংগী জঙ্গলগী লৈঙাক চত্থবগী অকিবা লৈবা হায়বনি অদুগা জে দি-য়ু না মীয়ামবু নমথবা হায়বনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা জে দি-য়ু অমসুং আর জে দি বু বি জে পি গী এক্টিভিষ্ট অমা হাৎখিবগী মরাল শীখি। অদুগুম্বা থৌওং অদু অনিশুবা জঙ্গলগী ৱায়েল হৌরকপনি। অসিগুম্বা ফিভম অসি অমুক হল্লকপা পাল্লিব্রা হায়খি।

# এ এ পি গী লুচিংবী অলকা লম্বা শোক্লে

***ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ৯ ঃ***

দ্রগকী মায়োক্তা চংশিনবা খোঙজং অমদা আম আদমী পার্টি (এ এ পি) গী লুচিংবী অলকা লম্বাদা মীওই খরনা এটেক তৌরকপদগী শোক্লে। হিরম অদুগী মতাংদা ঙসি অলকা লম্বানা পাউগী মীফম অমা পাংথোক্তুনা ৱাফম কয়া ফোংদোকখ্রে।

লুচিংবী অদুনা পাউগী মীফম অদুদা ফোংদোকখিবদা এটেক অদু মঙোন্দা চত্থরকপা নত্তে। দ্রগকী মায়োক্তা চংশিনবা খোঙজং অদুদা চত্থরকপনি। এটেক অদুদা মহাক্কী কোক্তা নুংনা পান্দুনা শোকখি। ষ্টেসন হাউস ওফিসারনা মঙোন্দা ফোন তৌরক্তুনা চংশিল্লিবা খোঙজং অদুদা পুলিসনা শৌগৎকনি হায়না ফোংদোরকখিবা লৈখি।



এটেক কয়া চত্থরক্লবসু খোঙজং মহাক্না আগষ্ট ১৫ ফাওবা চংশিনগনি। মহাক শোকখিবা মফম অদুদগী হৌরগা মখা তাবা খোঙজংশিং চনশিনগনি। খোঙজং অদু পান্দম ফংদ্রিফাওবা চংশিনগনি হায়না অলকা লম্বানা ফোংদোরক্লি।

# নুপী কাউন্সিল্লর অমা য়াওনা বি জে পি গী মেম্বর মরি ফারে

***গুৱাহাটি, আগষ্ট ৯ ঃ***

ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা দোন বোস্কোগী মুর্ত্তি বারালুমুখতা খিন্নবা পায়খৎপা থৌরমশিংদা অরানবা তৌবা মীওইশিংনা অথিংবা পীরকপগী মতাংদা লৌখৎপা কেস অমগী মতুংইন্না ভারতিয়া জনাতা পার্টিগী মেম্বর মরি পুলিসনা ফারে। ফারবশিংগী মনুংদা নুপী কাউন্সিল্লর অমা য়াওরি।

মুর্ত্তি অদু খিন্নবা থবক শুরিবশিংদা অরানবা তৌবা মীওইশিং অদুনা নুংনা থোমজিল্লকপগী নুংঙাইতবা থৌদৌ কয়া চত্থরকখি। ফারবশিংগী মনুংদা ৱার্দ নম্বর ৮ গী সুনিতা গিলমোরিয়া, মহাক্কী মপুরোইবা অনিস গিলমোরিয়া, রাজু প্রসাদ গুপ্ত অমসুং রাজু রোয় য়াওরি।

বারালুমুখ পুলিস ষ্টেসনন্না লৌখৎপা কেস নম্বর ২৯৯ / ১৫ গী মখাদা মীওইশিং অদু ফাগৎখিবনি। মখোয়গী মথক্তা ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন ১৪৩, ১৪৭, ১৪৮, ১৪৯ নচিংবা কয়া পাল্লি। হায়রিবা সেক্সনশিং অদুগী মনুংদা অনিদি বেল লৌবা য়াবা সেক্সনশিংনি হায়রি।

গুৱাহাটিগী কামরূপ চিফ জুদিসিয়েল মেজিসষ্ট্রেটকী কোর্টনা মরাল লৈরে হায়না জুদিসিয়েল কস্তদিদা রিমান্দ লৌথদুনা লৈরিবা মীওইশিং অদুনা বেল পীবিনবা হায়জরকখিবা অদু লৌখিদে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিল্লিবশিংনা অনিস গিলমোরিয়াবু পুলিস কস্তদিদা নুমিৎ ৫নি থম্ননবা হায়জরকপা কোর্ট অদুনা য়াখিদ্রে।

বি জে পি গী কাউন্সিল্লর অমা য়াওনা মেম্বর কয়া ফাজিনখিবা অদুদা বি জে পি গী থৌমী কয়ানা বারালুমুখ পুলিস ষ্টেসন মমাঙদা খোল্লাও কয়া লাওদুনা য়ানিংদবা খোঙজং চংশিনখি।

দোন বোস্কোগী মুর্ত্তি থুগাইরম্বগী মতাংদা লৌখৎখিবা কেস অমগী মতুংইন্না বি জে পি গী কাউন্সিল্লর অমা য়াওনা মেম্বর ৪ পুলিসনা ফাগৎখি। থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা বি জে পি গী থৌমী কয়ানা পুলিস ষ্টেসন মমাঙদা খোঙজং চংশিনখি হায়রি।

# জি এস টি বিল পাস তৌরবা মতুং শেমদোকখিবশিং পুথোক্কনি ঃ রাজনাথ

***ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ৯ ঃ***

কংগ্রেস অমসুং লেফ পার্টিনা গুদস এন্দ সার্ভিস টেক্স বিলগী মায়োক্তা লেপ্লিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ঙসি ফোংদোকখিবদা সরকার অসিনা পুথোক্লিবা বিল অদু পাস তৌরবা মতুং হাউসতা ময়েক শেংনা ফোংদোক্কনি।

পার্টি খুদিংমক্না বিল অদু পাস তৌনবা হোৎনবদা মতেং পাংবিয়ু। ললোল ইতিক তৌবশিংনা পীরকখিবা সজেসনশিংগী মতুংইন্না শেমদোক্লবা জি এস টি বিল অদু পাস তৌরবামতুং হাউসতা মপুং ফানা ফোংদোক্কনি।

সরকার অসিনা বিল অদু পাস তৌহন্ননবা হোৎনবা য়াবা থাক্তা হোৎনরি। অদুম ওইনমক ওপোজিসন পার্টিনা লেপ্তুনা য়ৈখায় থিনগাইবা থোকহনবনা মায় পাকপা ঙমদ্রি। বিল অদু রাজ্য সভাদা পাস তৌখ্রবসু লোক সভাদা পাস তৌননবা হোৎনবদা লেফ পার্টি, কংগ্রেস অমসুং এ আই দি এম কে না অপনবা পীরকপা য়াই।

পার্টিশিং অদুনা বিল অদু হোংদোকপা পাম্মী। ললোল ইতিক তৌবা হায়বসিনা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী য়াংলেন শরুনি।

মালেমগী থাক্তা শোকহল্লক্কদবা ওইরবদি সরকার অসিনা য়াবা ঙম্লোইদবনি। ললোল ইতিক তৌবশিং লৈবাক অসিগী শেল থুমগী লমদা খ্বাইদগী মরুওইবা অমনি। ললোল ইতিক তৌবশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং সরকার অসিনা খঙই। মদুনা মরম ওইরগা অদুগুম্বা খুদোংচাদবশিং অদু লাকশিন্নবা সরকারনা হোৎনরি। অসিগুম্বা মওং অসি কনাগুম্বশিংনা থৌশারমদবসু য়াই। ললোল ইতিক্কী লমদা থবক তৌরিবশিং মতম পুম্নমক্তা মরুপ মপাং ওইনা লৌগনি।

ওপোজিসন্না ফোরেন দাইরেক্ট ইনভেসমেন্ট লম কয়াদা থাদনবা দিমান্দ তৌরি। অদুগুম্বা থৌওং অদু থোকহন্দনবা সরকার অসিনা হোৎনরি।

ইন্দিয়া অমসুং চাইনা মালেমগী শেল থুমগী লমদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা এন দি এ সরকারনা ঙমজবা থাক্তা হোৎনরি।

লৈবাক অসিগী ইনফ্লেসন দবল দিজিটতা লৈবা, ফিস্কেল দিফিজিট, করেন্ট একাউন্ট দিফিজিটশিং ওপোজিসন্না নুংশিবিরবদি মোডি সরকারনা চাওথোক্লা হায়বা ঙম্মী মদুদি অদুগুম্বা ফিভম অদু অমুক হন্না লাকহন্দবা ঙমগনি।

অন্তরজাতিগী থক্তা লৈবাক অসিনা ত্রিলিয়ন দোল্লর অনি য়ৌনা ললোল ইতিক তৌরি। চহি ৫ গী মনুংসিদা লৈবাক অসিনা ললোল ইতিক তৌবগী চাং দোল্লর ত্রিলিয়ন ৫ দা য়ৌহনবা ঙমগনি। লৈবাক অসি শেল থুমগী সুপর পৱার অমা মায় পাক্লা ওইহনবা ঙম্বা য়াই। ফিভম অসি য়েংলগা গুদস এন্দ সার্ভিস টেক্স বিল পাস তৌবা দরকার লৈ হায়না হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ফোংদোরক্লি।

# ইন্দিপেন্দেন্স দে দা মোডি-ওবামাগী শক্তম য়াওবা তেলঙ্গা পাইহনগদৌরি



***ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ৯ ঃ***

ইন্দিয়াগী ৬৯ শুবা নিংতম নুমিৎকী থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডি অমসুং য়ু এস কী প্রসিদেন্ট বারাক ওবামাগী শক্তম য়াওবা তেলঙ্গা মশিং খঙদনা দিল্লি সহরগী অতিয়াদা পাইহনগদৌরি।

পাইহনগদৌরিবা তেলঙ্গা অদু মখল অনি লৈগনি। অহানবদা মোডি অমসুং ওবামাগী অপুনবা শক্তম য়াওবা তেলঙ্গা অমসুং মোডিগী মহানয়ক নত্রগা অশি-দিন উৎপা শক্তমশিং য়াওগনি।

ওল্ড দিল্লিদা চহি খুদিংগী তেলঙ্গা য়োনবশিংনা তেলঙ্গা কয়া য়োন্নবা হোৎনরি। মতম অসিদা দুকান কয়াদা রাজনিতিৱালা, এক্টর অমসুং কার্তুনগী মওংদা য়েকপা শীংথানিংঙাই ওইবা তেলঙ্গা কয়া তোঙান-তোঙানবা মচু কয়াদা পুথোক্তুনা য়োল্লি।

অরিফ মহমদ কৌবা দুকান ফম্বা মীওই অমনা ফোংদোরকখিবদা তেলঙ্গা লৈবা লাকখিবশিংনা মোডি, সোতাভিম, সলমান খান, করিনা কাপুর, কেট্রিনা কৈফ, দিপিকা পাদুকোননা চিংবা মীওই কয়াগী শক্তম য়াওবা তেলঙ্গাশিংনা হেন্না লৈখি হায়রি।

দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী শক্তম য়াওবা তেলঙ্গাশিংদি ইরৈ লৈনখিদে। হায়রিবা তেলঙ্গাশিং অদু অহমেদবাদতগী পুরকখিবনি। কেজ্রিৱালগী শক্তম য়াওবা তেলঙ্গাশিং শাবদা লুপা লিশিং ৪০ রোম চাদিং তৌরমগনি। অদুম ওইনমক অদুগুম্বা তেলঙ্গাশিং অদু লৈবিদবদগী তেলঙ্গাশিংদা কেজ্রিৱালগী হাপ্লিবা শক্তম অদু হোংদোক্লবা খঙহনখ্রে হায়না ফোংদোরক্লি।

RESONANT TUTORIALS
Imparting light to medical aspirants
Collaborated With MTG, New Delhi
ADMISSION OPEN FOR
Regular Course for Medical Entrance Exam (AIPMT-2016)
CLASS COMMENCE ON 27TH JULY, 2015
Free studentship who secured 85% & above in Class XII (COHSEM & CBSE) - Limited Seats
Separate section for purely English Medium Teaching
For more details, Please contact :
RESONANT TUTORIALS
Office Timing:
8:00 a.m. to 3:00 p.m.
# 8974028145 / 8014815376
SL/C/3365/9-30days
Keishampat Keisham Leikai, Near Manipur Rural Bank

Godrej Smart Care
HOME SERVICE
Godrej Service Centre
SUPER ELETECH
New Checkon Road,
Imphal East - 795 001
Repairing of All types of Refrigerator, Washing Machine, Oven, AC and other Home Appliances
Services for a better living
Please Contact:
9862029771 or 9863055102
Toll-free Number:
1800 209 55 11
Email: supereletech@gmail.com

DIRECT ADMISSION 2015
MBBS
BANGLADESH
Every Colleges under the university of
DHAKA, CHITTAGONG & RAJSHAHI
Tution Fees US $ 25000-US $ 33000
16 LACS - 20 LACS (FULL PACKAGE)
(8th Times Installment To Be Paid Within 5 Years)
Limited Seats Only (First Come First Serve)
INDIA
MBBS at Lowest Package
BDS (Without any Donation)
B.Sc. Nursing, BPT(Physiotherapy) at Bangalore & Guwahati
Agriculture, Forestry & Horticulture at Dehradun
BBA, BCA, MBA, MCA, BIO-TECH, GNM
B.Tech/BE (Rs. 70,000/yr)
Civil, Mech, EEE, ECE, Architecture, IT & CSC
Regional Office :- (Sunday & Holiday Office Open)
LUWANG EDUCATIONAL TRUST
Palace Compound Near Pioneer Academy,
Opposite SBI ATM Booth, Imphal East
9856167106 9862611861